# বংলাদেশতা কোভিদকা মরী লৈনবা পাউ ফোঙলুবগীদমক জর্নেলিষ্ট অমা ফাজিনখ্রে



ধাকা, মে ১৮ (এজেন্সী) :

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মরক্তা বংলাদেশ গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী পায়খৎফম থোকপা মরী লৈনবা থবকশিং মপুং ফানা পায়খৎত্রে। অমদি কোভিদকা মরী লৈননা লৈঙাক্লা শেঞ্জা থুমজা কয়া চথুরে হায়বা পাউ ফোঙলুবগীদমক নুপী জর্নেলিষ্ট অমা বংলাদেশ ওথোরিটিনা ফাজিনখ্রে। মহাকপু ফাজিনখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা জর্নেলিষ্ট কয়ানা খোঙজং চৎশিনখ্রে।

বংলদেশ ওথোরিটিনা ফাজিনখ্রবা রোজিনা ইস্লাম প্রোথোম অলো ন্যুজ পেপরদা ইনভেষ্টিগেটিভ জর্নেলিষ্ট ওইনা লৈবনি। মহাক নিংথৌকাবা নুমিত্তা বংলাদেশ ওথোরিটিনা ওফিসল সেক্রেট এক্টকী মখাদা ফাজিনখিবনি হায়রি।

মহাক ঙসি কোর্টতা পুথোকখি। ওথোরিটিগী মায়কৈদগী মহাক্কী মথক্তা হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী দোকুমেন্টশিং লোনা য়াদবা মওংদা হুরাল্লম্মী হায়বগী চার্জ তৌরি। হীরম অসিগা মরী লৈননা লাল্লিবা শগোলশেন নুমিত্তা হিয়ারিং চথুরগনি। রোজিনা ইস্লাম লৈবাক অদুদা মমিং লৈরবা জর্নেলিষ্ট অমনি। মমাং মতমদসু গভর্ণমেন্টকী অশোয় অরান কয়া পুথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহনবদা চাওনা থৌদাং লৌখিবা মীওই অমনি। করিগুম্বা শগোলশেন নুমিত্তা চথুগদবা হিয়ারিং অসিদা কোর্টনা মহাকপু মরাল লৈরে হায়না ফিরেপ লৌরবদি মহাক মপুন্সি চুপ্পা জেলগী ফাদোক ফংবা য়াই। নৎত্রগনা দেদ পেনালটি পীরবা য়াবগী ওইথোকপসু লৈ।

অমরোমদা মহাকপু ফাজিনখিবা অদু দিমোক্রেসিগী হকপু খোঙ্গোয়নবনি হায়না রাইটস গ্রুপশিংনা ফোঙদোরক্লি। বংলাদেশ পুলিস অমসুং ওথোরিটিনা রোজিনা ইস্লাম জর্নেলিষ্ট অমনি হায়বসি কাওরোইদবনি। অমদি জর্নেলিষ্টকী নীং খা তম্বদা খূৎ থিংজিল্লোয়দবনি।

রোজিনানা ইখিবা মহাক্কী আর্টিকল অদুনা গভর্ণমেন্টতা কয়া য়াম্না অকায়বা পীবগে হায়বদু মীয়াম্না খঙদ্রি। অদুবু মহাকপু গভর্ণমেন্ট ওথোরিটিনা ফাজিনখিবা অদুনা মরম ওইরগা মহাক্না ইখিবা আর্টিকল অদুদা ইখিবা গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈনবা থবক কয়া চথুরে হায়বা ৱাফম অদু চুম্বা য়াবগী চাং য়াম্না ৱাংলে। মসিগী মতাংদা জর্নেলিষ্ট খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা থবক তৌরগনি হায়রি।

# লালনা মরম ওইরগা টিগ্রেদা লৈরিবা মীওই কয়া চাবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি

টিগ্রে, মে ১৮ (এজেন্সী) :

ইথিওপিয়াগী মনুং চনবা টিগ্রেদা হৌখিবা মার্চ থাদগী হৌরগা খূৎলাই পায়বা মশেল মরক্তা লেপ্পা লৈতনা খূৎ থোক্লরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা মফমদুদা লৈরিবা মীওই কয়া ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে। অদুগা লৈহৌরিবা খরা অদুনা চাবা ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরে হায়না রাইটস গ্রুপশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

মমাং চহীগী নবেম্বর থাদগী হৌরগা টিগ্রে পিপলস লিভরেসন ফ্রন্টনা (টি টি এল এফ) অমসুং ইথিওপিয়াগী গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্লন্দুনা লাকখিবনি। ইথিওপিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অবি অহমদনা টিগ্রেদা নোংথক অমসুং লৈমায়গী ওইবা লালশিং চথুদুনা লাক্লি। গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা ইরিত্রি গ্রুপশিং অমসুং ইথিওপিয়াগী অমহারা রিজনদা লৈবা ফাইটরশিংগা পুল্লগা টি টি এল এফকী মায়কৈদা মখল মখা কয়াগী ওপরেসনশিং চথুদুনা লাক্লি।

মফম অদুদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সনা মপুং ফানা ওকুপাইদ তৌরে হায়না ইথিওপিয়ানা লাউথোকখ্রবসু টিগ্রেদা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিংবু খূৎলাই পায়বশিংনা ওৎ নৈবা, নুপী ওইবীশিংবু নমজা নমথেক্লবা অমদি হাৎপগী থবক কয়া লেপ্পা লৈতনা চথুরি। হৌখিবা থা ৬ লোম অসিদা য়ুনাইটেদ নেসন্স য়াওনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা টিগ্রেদা থোক্লিবা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোকশিং অদু লোইশিন্নবা কয়ারক হন্না হায়খ্রবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা থবক্তা ওইনা ওন্থোকপা ঙমদ্রি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তসু ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী চীফ টেদ্রোস অধানোমনা টিগ্রেদা থোক্লিবা ফীভম অদুগী মতাংদা মালেমগী মীয়ামদা খঙহনখ্রে। মহাক মশাসু টিগ্রেদগী হৌরকখিবা ওইবনা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসি অথুবা মতমদা লোইশিনবা পাম্মী হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লালনা মরম ওইরগা অশোক অপন নংহনখ্রবা মীওইশিংনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীরিবা অসি চাবা ফংদবগী প্রোব্লেম অসিনি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মায়কৈদগী টিগ্রেদা চানা থক্লবা পোৎলমশিং য়েম্থোক্লবা হোৎনরি হায়রি। মমাং চহীগী দিসেম্বর থাদসু ইথিওপিয়ান গভর্ণমেন্টনা টিগ্রেদা থোক্লিবা ৱাথোকশিং অথুবা মতমদা লোইশিল্লগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

অদুবু টিগ্রেগী মনুং হঞ্জিনবা মফম কয়াদা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক মচা মচাশিং তোয়না থোকপনা মরম ওইরগা গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংনা মথৌ তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। ইথিওপিয়াগী নেস্নেল দিজাষ্টর রিস্ক মেনেজমেন্ট কম্মিসন্না হৌজিক ফাওবগী ওইনা লালনা শোকহল্লবা টিগ্রেদা চানা পোৎলম মেত্রিক টন ১০,৮৩৯ সপ্লাই তৌখ্রে। মখা তানসু চানা থক্লবা পোৎলমশিং য়েম্থোক্লবা হোৎনরি। নাকল অমরোমদা টি পি এল এফনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না ইথিওপিয়া গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা মরাল লৈজদবা মীওইশিংদা ওৎ নৈবগী থবক চথুরিবা অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংদা এটেক চথখিবনি হায়রি।



# সিজ ফয়রগী ৱাফম ৱাশিংটননা মপুং ফানা শৌগৎলি: জো বাইদেন

ৱাশিংটন, মে ১৮ (এজেন্সী) :

মালেমগী লৈবাক কয়ানা ইজরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন অনীগী মরক্তা উংখৎনরিবা অমদি খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং লেপ্পবা ফোঙদোক্লরকখিবগা লোয়নননা নাকল অনীনা সিজ ফয়র তৌনবদা ৱাশিংটননা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোকখ্রে।

ইজরেল অমসুং য়ু এস ঙল্লিঙৈ মতমদগী অফবা মরী লৈদুনা লাকপা লৈবাকনি। ইজরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন অনীগী মরক্তা থোক্লিবা উংখৎনবগী থৌদোকশিং অদু লোয়শিন্নবা হোৎনবদা য়ু এসনা মতেং পাংদে হায়না চাইনানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবা মতুং উংখৎনরিবা অনীনা সিজ ফয়রগী ৱাফম পুশিল্লকপদা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না জো বাইদেননা ফোঙদোকখিবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুগা টেলিফোনগী খুত্থাংদা ৱারী শান্নখ্রে। ৱারী শান্নখিবা অদুদা জো বাইদেননা নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোকহন্নিংদবগী অপাম্বা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টরদা ফোঙদোকখি হায়রি। পনবা য়াবদি ইজরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন অনীগী মরক্তা সিজ ফয়র লাকহন্নবা মালেমগী লৈবাকশিংনা হোৎনখিবা অদুদা য়ু এস শরুক য়াদনা লাকখিবনি। অদুবু ওইরক্লিবা ফীভম অসি কা হেন্না লুশিল্লকপনা মরম ওইরগা য়ু এসনা খূৎ থোক্লবা লেপ্পবা ইজরেলদা খঙহনখিবনি। লোয়নননা ইজরেলগী এটেক্লা মরম ওইরগা মরাল লৈজদবা মীওই কয়া শিহল্লিবা অদুগী মতাংদসু নেটন য়াহুগা কুপ্পা ৱারী শান্নখি হায়রি।

# পাউখুম পীবা ওইনা ইজরেলি আর্মীনা আর্টিলরি সেল কয়া লেবানন তম্না কাপশিনখ্রে: ওফিসল

জেরুসালম, মে ১৮ (এজেন্সী) :

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইজরেলগা থংনরিবা লৈবাক লেবাননননা লৈবাক অদুদা রোকেট কয়া কাপশিল্লত্তুনা এটেক চথুরকখিবা অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা ইজরেলি মিলিটরিনা ঙসি লেবানন তম্না আর্টিলরি সেল কয়া কাপশিনখ্রে হায়না মিলিটরি ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখি।



ওফিসলশিং অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা জ্যু ষ্টেট তম্না লেবাননননা রোকেট ৬ কাপশিল্লকখি। অদুবু ইজরেলি এয়র দিফেন্স সিষ্টেমনা রোকেটশিং অদু লৈমায় য়ৌরক্ত্রিঙৈদা নোংথক্তা মাঙহনখি। লেবাননগী থৌওং অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা ইজরেল মিলিটরিশিংনসু রোকেট অমদি আর্টিলরি সেলশিং কাপশিনখিবনি হায়রি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তসু লেবাননগী খা থংবা শরুক্তগী ইজরেল তম্না রোকেট অহুম কাপশিনখি হায়না লেবানিষ্ট মিলিটরিগী সোর্ছ অমনা ফোঙদোরক্লি। অদুমওইনমক ইজরেল আর্মীনদি লেবানিজশিংনা কাপশিল্লকখিবা রোকেট অদু ঈশিংগী ঈমায়দা তাশিনখি হায়রি।

ঙরাং লেবাননননা কাপশিল্লকখিবা রোকেটশিং অদুগী মনুংদা অহুমদি ইজরেলগী লৈমায়দা তাশিন্দুনা চাওনা অমাং অতা থোকহনখি হায়না লেবানিজশিং সোর্ছশিংনা ফোঙদোরক্লি। অদুবু ইজরেলনদি ৱাফম অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। গাজা ষ্ট্রিপতা ইজেরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা উংখৎনরিঙৈ মরক্তা চিংননিংঙাই ওইবা লেবানিষ্ট খরা ঙমখৈগী শরুক্তা চঙশিল্লকখিবগী পাউ ফংঙে হায়না ইজরেল সোর্ছশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা অহেনবা ওপরেসনগী থবকশিং চথুরগনি হায়রি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered |
|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 164,342,171 | +76,233 | 3,406,543 | +2,403 | 144,318,293 |
| 1 | USA | 33,747,439 | | 600,533 | | 27,202,309 |
| 2 | India | 25,228,996 | +1,026 | 278,751 | | 21,596,512 |
| 3 | Brazil | 15,661,106 | | 436,862 | | 14,152,433 |
| 4 | France | 5,881,137 | | 107,812 | | 5,152,370 |
| 5 | Turkey | 5,127,548 | | 44,983 | | 4,961,120 |
| 6 | Russia | 4,957,756 | +8,183 | 116,575 | +364 | 4,572,226 |
| 7 | UK | 4,452,756 | | 127,684 | | 4,279,267 |
| 8 | Italy | 4,162,576 | | 124,296 | | 3,715,389 |
| 9 | Spain | 3,615,860 | | 79,432 | | 3,333,587 |
| 10 | Germany | 3,608,292 | | 86,870 | | 3,320,300 |
| 11 | Argentina | 3,335,965 | | 71,027 | | 2,973,267 |
| 12 | Colombia | 3,131,410 | | 81,809 | | 2,931,280 |
| 13 | Poland | 2,856,924 | +1,734 | 71,920 | +245 | 2,609,216 |
| 14 | Iran | 2,779,415 | +13,930 | 77,532 | +310 | 2,258,046 |
| 15 | Mexico | 2,382,745 | +822 | 220,489 | +56 | 1,903,494 |
| 16 | Ukraine | 2,160,095 | +4,095 | 48,469 | +285 | 1,882,344 |
| 17 | Peru | 1,893,334 | | 66,471 | | 1,720,665 |
| 18 | Indonesia | 1,748,230 | +4,185 | 48,477 | +172 | 1,612,239 |
| 19 | Czechia | 1,654,219 | +1,126 | 29,933 | +8 | 1,599,881 |
| 20 | South Africa | 1,615,485 | | 55,260 | | 1,526,638 |
| 21 | Netherlands | 1,600,993 | | 17,456 | | 1,377,872 |
| 22 | Canada | 1,334,108 | | 24,983 | | 1,241,500 |
| 23 | Chile | 1,292,096 | | 27,934 | | 1,225,846 |
| 24 | Philippines | 1,154,388 | +4,487 | 19,372 | +110 | 1,082,725 |
| 25 | Iraq | 1,142,925 | | 15,995 | | 1,050,687 |
| 26 | Romania | 1,072,972 | +681 | 29,662 | +91 | 1,027,412 |
| 27 | Sweden | 1,037,126 | | 14,275 | | 897,245 |
| 28 | Belgium | 1,032,895 | +972 | 24,723 | +14 | 910,652 |
| 29 | Pakistan | 882,928 | +2,566 | 19,752 | +135 | 795,511 |
| 30 | Portugal | 842,381 | | 17,009 | | 803,191 |
| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered |
| 31 | Israel | 839,159 | | 6,389 | | 832,093 |
| 32 | Hungary | 798,955 | +382 | 29,277 | +64 | 640,964 |
| 33 | Bangladesh | 780,857 | | 12,181 | | 723,094 |
| 34 | Jordan | 725,258 | | 9,276 | | 710,445 |
| 35 | Serbia | 707,033 | | 6,696 | | 679,256 |
| 36 | Switzerland | 683,400 | +1,240 | 10,747 | +3 | 621,695 |
| 37 | Japan | 683,175 | | 11,508 | | 595,177 |
| 38 | Austria | 638,155 | +582 | 10,499 | +19 | 618,798 |
| 39 | UAE | 548,681 | +1,270 | 1,637 | +4 | 528,769 |
| 40 | Lebanon | 535,954 | | 7,631 | | 500,872 |
| 41 | Morocco | 515,023 | | 9,104 | | 503,483 |
| 42 | Malaysia | 479,421 | +4,865 | 1,994 | +47 | 432,600 |
| 43 | Nepal | 472,354 | +8,136 | 5,411 | +196 | 352,414 |
| 44 | Saudi Arabia | 433,980 | | 7,174 | | 418,914 |
| 45 | Bulgaria | 414,869 | | 17,343 | | 364,682 |
| 46 | Ecuador | 410,870 | | 19,786 | | 354,499 |
| 47 | Slovakia | 387,892 | +233 | 12,248 | +10 | 371,371 |
| 48 | Greece | 378,485 | | 11,471 | | 340,612 |
| 49 | Belarus | 377,532 | | 2,711 | | 367,840 |
| 50 | Panama | 371,145 | | 6,297 | | 359,481 |
| 51 | Kazakhstan | 362,030 | +1,837 | 4,095 | +22 | 320,241 |
| 52 | Croatia | 350,997 | +491 | 7,765 | +27 | 338,361 |
| 53 | Bolivia | 334,824 | +2,257 | 13,566 | +49 | 273,403 |
| 54 | Georgia | 332,441 | +1,562 | 4,499 | +30 | 312,349 |
| 55 | Azerbaijan | 330,269 | | 4,792 | | 315,415 |
| 56 | Tunisia | 327,473 | | 11,899 | | 288,935 |
| 57 | Paraguay | 315,547 | | 7,692 | | 262,336 |
| 58 | Palestine | 304,074 | | 3,437 | | 293,808 |
| 59 | Kuwait | 292,490 | | 1,696 | | 278,824 |
| 60 | Costa Rica | 288,626 | | 3,625 | | 224,354 |

# য়ু এসনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা কোভিদ ভেক্সিন মিল্লিয়ন ২০ লেম্না পীগদৌরি

ৱাশিংটন, মে ১৮ (এজেন্সী) :

মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা অচৌবা চৈথেং পীরিবা কোভিদ পেন্দমিক মায়োক য়ানবা হোৎনবদা য়ু এসনা অকনবা মওংদা হোৎনরি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা শোথরবা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা কোভিদ ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন ২০ লেম্না পীনবা শেম শাবা লোইরে হায়রি।

লাক্লিবা চয়োল ৬ কী মনুংদা হায়রিবা কোভিদ ভেক্সিন দোজশিং অসি শোথরবা লৈবাকশিংদা য়ৌহল্লগনি হায়না বাইদেননা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা মখা তানা মতেং পাংনবা হোৎনরি হায়না মোস্কো অমসুং বৈজিংনা মখোয়গী মিংচৎ তান্নবা হোৎনদুনা কোভিদ ভেক্সিন মালেমগী লৈবাকশিংদা লেম্না পীগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। অমদি মখোয়গা চৎমিন্নরিবা লৈবাক খরদা কোভিদ ভেক্সিনশিং সপ্লাই তৌবা হৌখ্রে।

অদুমওইনমকয়ু এসকী ওইনদি পায়খৎলক্লিবা অসি লমজেল তান্নবগী ৱাখল্লোন য়াওদে। য়ু এসকী ওইবা ৱাখল্লোনদি মালেম লৈবাক পুম্বদা চৈথেং পীরক্লিবা ভাইরস অসিবু মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবনি।

অমরোমদা য়ুনিসেফনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন অমদি জি-৭ কন্ট্রিশিংনা শোথরবা মালেমগী লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন মপুং ফানা সপ্লাই তৌবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অমদি জুন, জুলাই, ওগষ্ট থাগী ওইনা মালেমগী ওইনা পৈশা পায়রবা লৈবাকশিংনা ষ্টোক তৌদুনা থল্লিবা কোভিদ ভেক্সিন দোজকী চাদা ২০ খাইদোক্তুনা শোথরবা লৈবাকশিংদা মতেং পাংহন্নিংবগী অপাম্বশিং ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# সাউথ চাইনা সিগী মতাংদা ৱা ঙাঙবদা অথিংবা থমখ্রে

মনিলা, মে ১৮ (এজেন্সী) :

পিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট রোদিগ্রোনা মহাক্কী কেবিনেটশিংনা চয়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সিগী মতাংদা ৱা ঙাঙবদা অথিংবা থমখিবগা লোয়নননা লৈবাক অদুগী মীয়াম্নসু হীরম অসিগী মতাংদা অরানবা ৱাফমশিং শন্দোক্তনবা আপীল তৌরক্লি।

চয়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সিগী মতাংদা রোদ্রিগোগী কেবিনেটশিংনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লাল থোকহল্লকপা য়াবা ৱাফমশিং ফোদোকখ্রবা মতুং মহাক্না অথিংবশিং অসি থল্লকখিবনি। ঈশিং ঙমখৈ শরুক্তা মনিলা অমসুং বৈজিংগী মরক্তা উংখৎনবশিং থোক্তুনা লাক্লি।

ফিলিপিন্সকী এক্সক্লু সিপ ইকনমিক জোনদা চাইনাগী হি ১০০ হেন্না থৌজিল্লকখিবগা লোয়নননা মফম অদু চাইনা মখোয়গীনি হায়না ক্লেম তৌবা হৌরকখিবনি। মদুদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি। থা অসিগী অঙনবা শরুক্তসু ফিলিপিন্সকী ফোরেন সেক্রেটরি টিওদিরো লোকসিননা মফম অদুদগী চাইনিজ ভেসেলশিং হন্দোকখিনবা খঙহনখ্রে। করিগুম্বা হন্দোক্ত্রবদি নাকল অনীগী মরক্তা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা য়াই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

# ইন্দিয়াদা মখা তানা মতেং পীখিগনি

ৱাশিংটন, মে ১৮ (এজেন্সী) :

কোভিদকী অনীশুবা ৱেভনা ইন্দিয়াদা অচৌবা চৈথেং পীরকখিবগা লোয়নননা লৈবাক অসিদা নোংমদা য়ামদ্রবদা কোভিদগী অনৌবা কেস লাক্ষ অহুমগী মথক্তা থেংনরি অদুগা নুমিৎ খুদিংগী লায়না লাইচৎ অসিনা মীওই লীশিং ৩ গী মথক্তা শিহল্লি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসি কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা য়ু এসনা ইন্দিয়াদা দরকার ওইবা পোৎলমশিং মরু ওইনা ওক্সিজেন অমদি ভেন্টিলেটরশিং মতেং পীরকখ্রে। ইন্দিয়া অমসুং ৱাশিংটন হান্নদগী হৌনা অফবা মরী লৈনবা লৈবাকশিং ওইরকপনা মরম ওইরগা মখা তানা ইন্দিয়ানা লায়না লাইচৎ অসি মায়োক য়ানবা হোৎনবদা মথৌ তাবা খুদিংমক মতেং পাংনবা শেম শাদুনা লৈরি হায়না হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখ্রে।

# সরফর অমা সার্কনা এটেক তৌরকপদগী শিরে

সিদনি, মে ১৮ (এজেন্সী) :

মালেমগী ওইনা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিদনি অসি সরফর তৌবদা খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইবা মফম অমা ওইনা লৌনরি অমদি মফম অসিদা টুরিষ্ট কয়া লাক্তুনা সমুদ্রদা সরফর তৌনরি। ঙসি সিদনিগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা সমুদ্র খোঙবানদা সরফর তৌখিবা মীওই অমা সার্কনা চিকপদগী শিরে হায়না ওষ্ট্রেলিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা টনকরি সমুদ্র খোঙবালদা মীওই কয়া সরফর তৌখি। সরফর তৌরিবা ময়াম অদুগী মরক্তা সার্কনা খঙহৌদনা এটেক তৌরকপদগী মহাক শোকখি। খুদক্তা পেরামেদিক কৌদুনা মহাকপু লায়কন্ননবা হোৎনখি। অদুমওইনমক কা হেন্না শোকখিবনা মরম ওইরগা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি হায়রি।

শিখিবা মীওই অদু মশাগী চহী ৫০ রোম শুরে। মহাক মশা হান্নগী কার্দেক প্রোব্লেম লৈবা মীওই অমনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি। ওষ্ট্রেলিয়গী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সার্কনা এটেক তৌবগী পাউ হন্দক চহীগী ওইনা ঙসিগী অসিনা অহানবনি হায়রি।

# য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, কানাদা অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমনা ম্যান্মার মিলিটরিগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিনখ্রে

ৱাশিংটন, মে ১৮ (এজেন্সী) :

হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদগী ম্যান্মার মিলিটরিনা লৈবাক অদুদা পৱার পায়শিনখ্রবা মতুং কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথুরকখিবা অদুবু মালেমগী লৈবাক কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখিবগা লোয়নননা মীয়াম্না য়াবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবা ম্যান্মার মিলিটরিদা তকশিনখ্রবা মতুং মখা তানা য়ু এস, কানাদা অমসুং য়ু কেনা ম্যান্মার মিলিটরিগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিনখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ৱাশিংটননা ফোঙদোকখিবদা ম্যান্মারগা য়ু এসকা হান্না লৈনরম্বা মরী অদু মতম খরগী ওইনা কেন্সেল তৌরে। অমদি ম্যান্মারদা লৈরিবা এস এস এসেটশিংগা লোয়নননা কম্পনিশিং খুদক্তগী থিংজিল্লে। অমদি য়ু এসতা লৈরিবা ম্যান্মারগী ওইবা থবক থৌরম খুদিংমক নিংথৌকাবা নুমিত্তগী অথিংবা থমখ্রে হায়রি।

কানাদানসু ম্যান্মার আর্মদ ফোর্সশিংদা খূৎশু খূৎলাইগা মরী লৈননা অথিংবা কয়া থল্লে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়নননা য়ুনাইটেদ কিংদমনসু ম্যান্মার জেমস ইন্তরপ্রাইজেস মতম খরগী ওইনা অথিংবা থল্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিনকননা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়না ঙসি লৌখৎলিবা এক্সন অসি তুংগী য়াইফনবগীদমক্তনি। মালেমগী লৈবাকশিংনা ম্যান্মারগা মতম পুম্বদা অফবা মরী থন্বা পাম্মি অদুবু হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা ম্যান্মার মীয়ামগী য়েংলগা মিলিটরিগী মথক্তা অথিংবশিং অসি থমজিনখিবনি।




ম্যান্মার মনুংদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং মালেমগী মীয়াম্না উরবা অমদি তানরবা ঙাক্তনি। মিলিটরিনা লৈবাক অদুগী মীয়ামদা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথুরি। অসিগুম্বা থবক থৌওংশিং অসি চথুদনবা ইন্তরনেস্নেল কম্যুনিটিশিংনা কয়ারক হন্না খঙহনখ্রবসু মিলিটরি জুন্টানা থবক ওইনা পাঙথোরক্তবদগী মখোয়গী মথক্তা অথিংবশিং অসি থমজিনখিবনি। মিলিটরি জুন্টানা মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না থবক পায়খৎলক্লবদি মখোয়গী মথক্তা থল্লিবা অথিংবশিং খুদক্তগী লৌথোক্কনি হায়রি।